# টোকিও ওলেম্পিকক্সতা থম্লম্বা মেন'স সোক্কর টুর্নামেন্টগী চহীগী অকক্লবা মতম ফিফানা শাঙদোকখ্রে

জেনেভা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা নৌনা মতম লেপখ্রবা টোকিও ওলেম্পিকককী মেন'স সোক্কর টুর্নামেন্টদা য়াওগদবা শান্নরোইশিংদা থম্লম্বা চহীগী অকক্লবা মতম মালেমগী ফুটবোল গভর্ণিং বোদি ফিফানা শাঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা শেমদোক্লবা ওলেম্পিকগী চৎনা কাঙলোন অদুদা ইং ১৯৯৭গী জনুৱারী ১ নৎত্রগা মসিগী মতুং দা পোকপা শান্নরোইশিংদি অদুমক সোক্করগী ইভেন্ট অসিদা য়াওবা য়াহনগদৌরি। মসিনা তাকপদি ২০২০ দা অন্দর-২৩ টুর্নামেন্টশিং শরুক য়ারিবা শান্নরোই পূম্নমক জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিকককী মেন'স সোক্করদা শান্নরোইশিংনা চহী ২৪ শুরবসু ২০২১ জুলাই ২৩ দগী হৌগদৌরিবা অসিদা য়াওবা য়াহল্লগনি।



ফিফানা নুপীগী চহী কাঙলূপ ২ গী ৱার্ল্ড কপ চহী অসিদা সেন্ট্রেল অমেরিকা অমসুং ইন্দিয়াদা অমদি নুপা অমদি নুপীগী জুনদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেস্নেল মেটচশিংসু য়েথোকখ্রে।

গভর্ণিং বোদি অসিনা হায়, ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৌখিবা ৱারেপ পূম্নমক মরুওইনা মীয়াম্না তেক্তা কায়দনা মশা মউ ফনা লৈহনবা হায়বসিদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা লৌখিবা ৱরেপশিংনি হায়খি।

টোকিও ওলেম্পিক অসিদা সোক্কর ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা টিম ১৬ না চহী হেন্দোক্লবা শান্নরোই ৩ য়াওবা য়ারগনি। পনামা অমদি কোষ্টারিকাদা ওগষ্ট অমসুং সেপ্তেম্বরদা পাঙথোক্কদবা অন্দর-২০ ৱার্ল্ড কপ অমসুং ইন্দিয়াদা নভেম্বরদা পাঙথোক্কদবা অন্দর-১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপশিং য়েথোক্তুনা অনৌবা মতম লেপ্প্রি।

কোভিদ-১৯না জুনদা ২০২০ য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ, সাউঠ অমেরিকা অমসুং এসিয়াগী ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িং অমসুং ২০২১ অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সগী ক্বালিফাইয়রশিং য়েথোকখ্রবনি।

য়ুরো ২০-২০ চহী অমা মতম চোঙখ্রবা মতুংদা য়ু ই এফ এনা জুনদা প্লে ওফ সেদ্যুলশিং শান্নহন্দুনা টিম ২৪গী লৈগদবদা লেমহৌরিবা টিম ৪গী মফম খঙদোক্লবা শেম শারম্বা অদুসু মতম কক্তনা য়েথোকখ্রবনি।

ক্বাটার ৱার্ল্ড কপ ২০২২গী ক্বালিফাইয়র মেটচশিংসু মপুং ফাবা ঙমদ্রি। ফিফানা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা হায়, রিভাইজ ফিক্সচরগী সেদ্যুলশিং ফাইনেল লোয়রবা মতুং মরী লৈন্নবা কোন্তিনেন্টেল গভর্ণিং বোদিশিংগা কূপ্না খৎনরবা মতুংদা লেপক্কনি হায়খি।

ফিফানা মীওই মীলিয়ন কয়াদা মতেং পাঙনবা থৌরাং পায়খৎলে অমদি কন্তিনেন্ট ৬ শিং অসিদগী ওফিসিয়েল অমমম খনগৎতুনা মীয়ামগীদমক তেংবাঙনবা পায়খৎক্কদৌরিবা খোঙথাং অসিদা মপুং ফানবা হোৎনগনি হায়খি।

# ইন্দিয়ানা এ এফ সি এসিয়ান কপ ২০২৭গী বিদ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসন (এ এফ সি)গী মখাদা ইং ২০২৭ দা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান কপকীদমক য়ুম্বু ওইনবা লমজে লদা ইন্দিয়াসু য়াওশিন্দুনা বিদ তৌখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কুশল দাসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

জেনরেল সেক্রেটরী কুশল দাসনা পি টি আইদা হায়, এসিয়ান কপ অসিগীদমক ঐখোয়না এসিয়ান ফুটবোল কনফিদ্রেসন (এ এফ সি)দা মরী লৈন্নবা চে-চাঙ পীশিন্দুনা মসিবু য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে হায়খি।



হন্দক্তঃ এ এফ সিনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা ২০২৭ দা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান কপ অসিগীদমক বিদ্দিং তৌবগী দেট লাইন থা অসিগী ৩১ দা ওইরম্বা অদু থা ৩ য়েথোক্তুনা জুন ৩০ ফাওবা শাঙদোকখ্রবনি অমদি করিগুম্বা ইন্দিয়ানা বিদ অসি মায় পাক্লবদি লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা এসিয়ান কপগী য়ুম্বু ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

এ এফ সিনা হায়, ঐখোয়না টুনয়ামেন্ট অসি য়ুম্বু ওইবগী মফম য়ারিবখে থুনা লাওথোক্লবা হোৎনদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক শেম শাবগী মতম শাঙনা ফঙন্নবা হোৎনগনি। এসিয়ান কপ অসি ২০১৯ দা য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটস দা পাঙথোকখিবা এদিসন অদুদগী টিম ২৪ শরুক য়াহনখ্রবনি হায়খি।

এ এফ সিনা য়ুম্বু ওইবগী মতম মথং চহীদা লাওথোকপা য়ারে। বিদ্দিং অসিদা এসিয়ান কপকী মপু অহুমরক ওইবা ঙমখ্রবা অমদি য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা ফঙখিদ্রিবা সাউদি অরাবিয়াসু বিদ্দিং অসিদা য়াওরি। ইন্দিয়ানা মমাঙদসু ২০২৩ এসিয়ান কপকীদমক থাংলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া অমদি সাউঠ কোরিয়াগা পূন্না য়ুম্বু ওইন্নবগী লমজেলদা য়াওখি অদুবু ২০১৮গী ওক্টোবরদা লমজেল অদুদগী মপান থোকখি। তুংদা থাইলেন্দ অমসুং সাউঠ কোরিয়াসু মপান থোকখিদুনা ২০২৩ এসিয়ান কপকী য়ুম্বু চাইনানা ওইবা তাখি।

২০২৩ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা সাউঠ কোরিয়াসু ২০২৭ এ এফ সি এসিয়ান কপ অসিগীদমক য়ুম্বু ওইনবগী লমজে লদা য়াওশিনলকপা য়ারি। ২০২৩ এসিয়ান কপ অসি চাইনানা তোঙান তোঙানবা সিটি ১০ দা শান্নহনগনি।

২০১৭ মেন'স অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ মায় পাক্লা য়ুম্বু ওইখ্রবা ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইদুনা য়েথোকখ্রবা চহী অসিগী নবেম্বরদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ৱুমেন'স অন্দর-১৭ ৱার্ল্ড কপসু য়ুম্বু ওইগদৌরি।

ইন্দিয়ানা ২০২২ দা পাঙথোক্কদবা ৱুমেন'স এ এফ সি এসিয়ান কপ য়ুম্বু ওইনবগী অয়াবা পীখ্রবনি।

এ এফ সি এসিয়ান কপতা ইন্দিয়া মরিরক শরুক য়াখ্রে অমদি খ্বাইদগী ফজবা প্রফোমেন্সনা ১৯৬৪ দা রন্নস অপ তাখিবা অদুনা ওইরি। মতম অদুদা ফাইনেল শান্নদনা রাউন্দ রোবিন টুর্নামেন্ট ওইনা শান্নখি। অমদি ইং ১৯৮৪, ২০১১ অমদি ২০১৯ দা গ্রুপ ষ্টেজ লাম্থোকপা ঙমদনা কেম্পেন লোয়শিনখি।

# ইষ্ট বেঙ্গলনা ইরানগী ইন্দিয়ান ওরিজিন ফুটবোল্লর ওমিদ সিংহগা খূৎয়েক পীনখ্রে







কোলকটা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

কোলকটাগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গল ইরানগী ইন্দিয়ান ওরিজিন ফুটবোল্লর ওমিদ সিংহ চহী ২ গী খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না ক্লব অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাওথোকখ্রে। চহী ২৯ শুরবা ফুটবোল্লর অসিনা প্রসিয়ান গুফ প্রো লীগকী নাফট মাজিদ সোলেমান এফ সিদগী ইন্দিয়াগী হেভিৱেদ ক্লব অসিগীদমক খূৎয়েক পীনখিবনি।

ইষ্ট বেঙ্গলগী এড়ুক্যেটিভ কম্মিটি মেম্বর দেবাবত্র সরকারনা আই এ এন এসদা হায়, ওমিদ সিংহনা ক্লব অসিগীদমক চহী ২ গী খূৎয়েক পীখ্রে। মহাক হৌজিক টিহানদা লৈরি হায়খি। ওমিদ সিংহ মমাঙগী চহীদা মহাক্না ইন্দিয়াগীদমক শান্ননিংবগী অপম্বা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে অমদি নেস্নেল টিমগী কোচ ইগোর ষ্টিমাক্সনা মহাকপু নেস্নেল টিমগীদমক শান্ননবগী বার্তন তৌখিবসু লৈখ্রে।

ওমিদ সিংহ ইরানদা চাউরকখ্রবসু মহাক্কী অপোকপা মপাদি ইন্দিয়ান পার্সপোর্ট পায়রি। মমাঙ চহীগী জুলাইদা ওমিদনা টিহান টাইমসতা হায়খি, ঐহাক ইরান নেস্নেল ফুটবোল টিমগীদমক শান্নবা পামই অদুবু টিম অসিনা শান্নবগী খুদোংচাবা পীদে। ইরান অসি এসিয়াদা খ্বাইদগী অফবা টিম ওইরি। অমদি মসিদা য়াওবা হায়বসি অরায়বা অমদি নতে।

ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টিমাক্সনা ঐবু কৌরি। অমদি ঐহাক্সু ইন্দিয়াগীদমক শান্নবা পামই হায়খি। মহাক্না মখা তানা ঐহাক ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগীদমক য়াম্না খঙ-হৈবদি নতে। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা ফুটবোলগী লমদা খুমাঙ চাউশিনলক্লি হায়বদি খঙই। ইন্দিয়ান লীগতা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মালেমগী ফুটবোলগী লমদা মমিং লৈরবা দেবিদ জেমস, রোবার্ট ইরেজ, নিকোলাস অনেলকা, রোবার্টো কালোস অমদি জেকো ফাওবা শান্নখি হায়খি।

ওমিদ সিংহ ইরানগী ফুটবোল লীগকী গহার জালগোসদগী শান্নবগী কেরিয়রদা খোঙদাবা হৌরকখি। অমদি লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা নাফট মাজিদ সেলেমান এফ সি, ষ্টেকহাল খুজেষ্টান, পারস জোনৌবি অমদি নসারজিদা শান্নরমখি।

ওমিদ সিংহগা নৌনা খূৎয়েক পীনখিবা আই লীগকী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গল অসি লীগ অসিগী হন্দক্কী সিজনদা মেটচ ১৬ দা পোইন্ট ২৩ ফঙদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা কনখি। অদুগা ক্লব অসিগী অক-লাইবেল মোহন বগাননা লীগকী মেটচ ৪ শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা টাইতল লৌবগী লম্বী ফঙখ্রবনি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা আই লীগ অসি মতম কক্তনা য়েথোক্লি।

# সৌরভ গঙ্গুলিনা মতেং পাঙখ্রে

কোলকটা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়াগী হান্নগী কেপ্তেন সৌরভ গঙ্গূলিনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা শোকহল্লবা মীওইশিং দা নুংতিগী পীজা পীথক তৌদুনা মতেং পাঙবা ঙম্নবা কোলকটাগী স্কোন সেন্টরদা মতেং পাঙখ্রে।

কোলকটাগী স্কোন সেন্টর অসিনা নুংতিগী মীওই লিশিং ১০ পীজ পীথক তৌরি। মফম অদুদা গঙ্গুলিনা মাক্স অমসুং গ্লোভশিং উৎপতুনা চৎখি অমদি মহাক্না শোয়দনা মতেং পাঙগনি হায়না থজবা পীখি।

স্কোন সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্টনা হায়, মফম অসিদা নুংতিগী মীওই লিশিং ১০ পীজা পীথক তৌরি। গঙ্গুলিনা মফম অসিদা লাক্তুনা তেংবাঙলকখিবা অসিনা নুমিৎ খুদিংগী মীওই লিশিং ২০ পীজবা ঙম্লগনি হায়খি।

# সিদনেল ইদুনা পার্ক টেষ্টিং সেন্টর ওইরগনি

বার্লিন, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

জর্ম্মনগী ক্লব বোরুসিয়া দোরটুমনগী হোম গ্রাউন্দ ওইবতা নৎতনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল ষ্টেদিয়ম ওইরিবা সিদনেল ইদুনা পার্ক কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকপু লান্থেংনবগীদমক অনাবশিংগী লাইয়েংনবা মেদিকেল সেন্টর ওইনা ওন্থোক্লগনি।

মীওই লিশিং ৮১ চনবা ষ্টেদিয়ম অদু ষ্টেটুটোরি হেলঠ ইন্সুরেন্স এসোসিয়েসন ওফ ৱেসফালিয়ালিপি (কে ভি দব্লিউ এল)গা খূৎশম্নদুনা মেদিকেল সেন্টর অদুদা চেক অপ, হিদাক লাঙথক পীদুনা নুংতিগী নুংথিলদগী পুং ৪ ফাওবা নোঠ গ্রান্দ ষ্টিদেনগী মরী থংবা ফ্লোরদা ত্রিটমেন ৱিং হাঙদোক্কনি হায়রি।

# ওড়িষা এফ সিনা মোহমদ সজিদগী কন্ট্রেক্ট চহী ২ মতম শাঙদোকখ্রে

ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল)গী ওড়িষা এফ সিনা মোহমদ সজিদ ধুটবু ইং ২০২২ ফাওবা ক্লব অসিদা লৈন্নবগী খূৎয়েক পীনখ্রে। মশাগী চহী ২২ শুরবা দিফেন্দর অসিনা ভুবনেশ্বরদা বেজ তৌবা আই এস এলগী ক্লব অসিগীদমক মমাঙগী চায়োলদা কন্ট্রেক্ট অসি শাঙদোকখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ওড়িষা এফ সিগী প্রসিদেন্ট রোহান শর্ম্মানা হায়, সজিদ তুংগী অশা লৈবা শান্নরোই অমনি। মহাক্কী হোৎনবা কনবা অমদি ক্লবকীদমক কখোকপা ঙম্বা অসিগা লোয়ননা ক্লব অসিদা মহাক নীংথিনা মপুং ফাবা শান্নরোই ওইনবা হোৎনবা লেপ্প্রি লাক্কদৌরিবা চহী খরা অসিদা মহাক শোয়দনমক্কী লৈবাক অসিগী নেস্নেল টিমদা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়খি।

সজিদনা হিরম অসিগী মতাং দা হায়, ওড়িষা এফ সিগা কন্ট্রেক্ট অমুক নৌনা শাঙদোকপা অসিদা অপেনবা পোকই। ঐহাক্না মফম অসিদা য়াওরকপদগী হৌনা শান্নরোই অমা ওইবা ঙম্লি। অমদি লাক্কদৌরিবা চহীশিংদসু ওড়িষা এফ সিগা পূন্না চৎমিন্দুনা করিগুম্বা খরা ফঙবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

# ষ্টিফেন কেন্নি আইলেন্দ মেনেজর ওইখ্রে

দুব্লিন, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ আইলেন্দ (এফ এ আই)না হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মখোয়গী অন্দর-২১ গী কোচ ষ্টিফেন কেন্নিনা খুদক্তগী হান্নগী মেনেজর ওইরম্বা মিক মেকাথিগী মহুৎ শীনল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।




হান্নগী আইলেন্দ দিফেন্দর মশাগী চহী ৬১ শুরবা মিকাথিনা আইলেন্দগীদমক ইং ২০১৮ নবেম্বরদগী মেনেজরগী ফম পুদুনা লাকখিবনি অমদি মহাক্না আইলেন্দবু কোভিদ-১৯ পেন্দেকিমকনা য়েথোক্তুনা লৈরিবা য়ুরো ২০২০ ক্বালিফাইয়িং প্লে ওফ ফাওবা পুশিনলকখিবনি।

মিকাথি চহী অসিগী জুন ৩১ দা মশাগী কন্ট্রেক্ট লোয়শিন্নবগী ঙাইদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা মহাক্না ফম অসি থাদোকখিবনা কন্ট্রেক্ট লোয়রবা মতুংদা মহুৎ শীহৌগদবা অন্দর-২১ কোচ কেন্নিনা খুদক্তগী মহাক্কী মহুৎ শীনখি।

ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ আইলেন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, ষ্টিফেন কেন্নিনা খুদক্তগী মিক মেকাথিগী মহুৎ শীন্দুনা নেস্নেল টিমগী মেনেজর ওইরগনি। ফম শীন্নবসি নাকল অনীমক্লা য়ানবা পুরক্তুনা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী হেন্না খুদোংচাবা ওইগনি।

মেকাথিগী কন্ট্রেক্ট য়েথোকখ্রবা য়ুরো ২০২০গী মতুং জুলাই ৩১ দা লোর্য়গদবনি। অদুবু মহাক্না ঙন্না ফম থরাদোক্লম্বনা ষ্টিফেন কেন্নিনা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়নসিপ প্লে ওফ সেমি ফাইনেলদা স্লোভাকিয়াগা শান্নগদবা অদুগীদমক প্লান শীনবদা হেন্না খুদোংচাবা ওইরগনি হায়খি।

মশাগী চহী ৪৮ শুরবা ষ্টিফেন কেন্নি আইলেন্দ অন্দর-২১ কোচতগী ফম অসিগীদম প্রমোট তৌখি অমদি মেকাথিনা টিম অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ফম পুরমখিবা অসি নবেম্বরদা দুব্লিনদা দেনমার্ককা ১-১ দা দ্রো চৎতুনা য়ুরোগী ওটোমেটিক ক্বালিফিকেসনদগী নাম্থোকখিবা মেটচ অদুনা ওইরি।

# কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈরবসু টজিকিষ্টান ফুটবোল সিজন শান্নবা হৌখ্রে



দুসানগি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সি)ঃ

মালেমগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না গ্লোবেল স্পোর্টিং ইভেন্টশিংদা অকায়বা পীদুনা শান্নবা লেপ্পা নৎত্রগা য়েথোক্তুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা টজিকিটানদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতগী লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক ফুটবোল সিজন শান্নবা হৌখ্রে।

মী অমত্তা য়েঙহন্দনা শান্নখিবা সুপর কপ অদুদা ষ্টিকলোল দুসানবেনা গোল শোত্থরম্বদগী হন্দোক্লগা খুজাদনবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা মায় পাকখিবনি। মেটচ অদু লোয়রবা মতুংদা টিম অনীমক্লা শান্নরোই অমসুং ষ্টাফশিংনা হান্নগী মতৌগুম্না অদুমক লেঙগোন্নবা অমদি খূৎ শোক্লখি।

মালেমগী মফম কয়াদা স্পোর্টসকী ইভেন্টশিং লেপ্পলবসু বেলরস, নিকারগুৱা অমদি বরুন্দি হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদি স্পোর্টিং ইভেন্টশিং অদুমক চত্থরি। কোভিদ-১৯না মালেমগী ওইনা মীওই লাক্ষ ১২ হেনবনা পোজিটিভ অদুগা মীওই লিশিং ৬৬ হেনবনা পূন্সি মাঙখ্রবসু টজিকিষ্টান অমদি হৌজিক ফাওবা পোজিটিভ ওইবা কেস অমত্তা থেংনদ্রি।

মেটচ অদুদা ষ্টিকলোলনা মায় পাকখিবদুনা ইং ২০১০, ২০১১, ২০১২, ২০১৪, ২০১৫, ২০১৬, ২০১৮ অমদি ২০১৯ দা সুপর কপ লৌখ্রবা মতুং হন্দক্কী অসিনা মাপলশুবা ওইনা মপু ওইবা ঙমল্লি।

খুজাদনগী সনজারনা মিনিট ২ দা চনখিবা গোলনা মাঙজিল থাখ্রবসু ষ্টিকলোলগী দেসহালিলোভনা মিনিট ৭৭ অমদি রখিমোভনা মিনিট ৭৮ দা গোল চন্দুনা সুপর কপ অসিগী মপু ওইখি।

টজিকিষ্টান সুপর কপ অসি লৈবাক অদুগী টজিক লীগ চেম্পিয়ন অদুগা টাজিক কপগী চেম্পিয়ন অনীনা চহীগী ওইনা অদুমক হৌখিবা ইং ২০১০ দগী শান্নদুনা লাক্লি।

## CORONAVIRUS: MAJOR SPORTS EVENTS AFFECTED

**Tokyo Olympics**
Postponed to 2021

**CRICKET**
India-South Africa
2nd ODI in Lucknow & 3rd ODI in Kolkata
Cancelled

IPL
Postponed From March 29 to April 15 for now

Australia-New Zealand
2nd ODI in Sydney & 3rd ODI in Hobart
Cancelled

PSL Suspended

**ARCHERY**
World Cup Shanghai
Cancelled

**BADMINTON**
China Masters
Postponed

Asian Team C'ships
China and Hong Kong withdrew

German Open
Cancelled

Asian Championships
Suspended

India Open
Suspended

Swiss Open
Suspended

Malaysia Open
Suspended

Singapore Open
Suspended

Thomas and Uber Cup Finals
Postponed from May to August 2020

**TENNIS**
All AITA tournaments
Cancelled

BNP Paribas Open
Cancelled

Miami Open
Cancelled

Monte Carlo Masters
Cancelled

French Open
Postponed to Sep 20 - Oct 4

Wimbledon
2020 Cancelled

**ATHLETICS**
World Indoor Championships
Nanjing Postponed to March 2021

**FIELD HOCKEY**
India's tour of Japan (Jr Women's Asia Cup)
Postponed

FIH Pro League
Suspended till June

**BASKETBALL**
NBA
from March 11
Suspended

**SHOOTING**
New Delhi World Cup
Postponed to May 5-12 & June 2-9

**BOXING**
World Cup Germany
Cancelled

**FORMULA ONE**
Australian GP
Cancelled

Bahrain GP
Postponed

Vietnamese GP
Postponed

Chinese GP
Postponed

Monaco GP
Cancelled

Azerbaijan GP
Postponed

**FOOTBALL**
Champions League & Europa League
Suspended until further notice

EPL & FA Cup
Postponed till April 30

Euro 2020
Postponed to 2021

Copa America
Postponed to 2021

FIFA U-17 Women's World Cup
POSTPONED

UPDATED ON APRIL 5, 2020

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com